HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা লংদুমগী রাইটরস প্লেটফোর্ম মণিপুরগী অহুমশুবা মপোক কুমওনদা ‘খাগি লৈবাক য়ুনান’ গী অইবা হরেশ্বর গোশ্বামিদা চীফ গেষ্ট এম এল এ রামেশ্বরনা হৈরোম তোম্বা মৈতৈ লিটরেরি এৱার্দ খূৎশিন্নবা


নুমিৎলৈ নুমিত্তা ওনশিল্লি, নোংপোক্তা ওল্লগা... ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ মতম অমগী লমতা থাংজা নীংশিংলকই
পুন্সি ঈশৈ? নৎত্রগা ঈশ্বরগী ঈশৈ? ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ লৈবাক শীনবা থুংনা পাঙথোক্লরিবা মালেমগী...
টেরর প্লেট লৈবদগী দেল্লিগী অকোয়বদা লৈবা... ☛ লামায় ৯
লামায় ১২ ☛ এম পি এস সীনা পি সী সী ময়ায় কোইবী...


মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকপা নোংমগী ওইবা ষ্টেট লেভেল কেপাসিটি বিল্ডিং-কম-ইন্দক্সন প্রোগ্রামদা স্পেশল কোর্ট নম্বর ৱানগী জজ আর কে মেমচানা চাইল্ড রাইটস অমসুং লিগেল প্রোটেক্সনগী মতাংদা ৱা ঙাঙবা





Vol. 50, Issue No. 315 | নোংমাইজিং, লমতাগী মঙানি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, February 22, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### নুমিৎ ১৯নি শুরক্লবা মণিপুরগী অনৌবা লৈঙাক্কী অৱাৎপা মিনিষ্টরশিং হাপচিল্লগনি

## কনা-কনা হাপকদগে হায়বদু লৈখাই তাথোক্লুনবা চীফ মিনিষ্টর দেল্লীদা চৎখ্রে, এম এল এ ২সু ইন্নখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচএনএস) :**

থা অসিগী ৪গী নুমিদাংৱাইরমদা য়ুম্নাম খেমচান্দবু চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌবগা লোয়ননা মহাক্কী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অনী-নেমচা কিপগেন অমসুং লোসি দিখোবুসু ৱাশক লৌহনখিবগা লোয়ননা গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমদি কে ঐচ লোকেনবুসু কেবিনেট মিনিষ্টরশিং ওইনা ৱাশক লৌদুনা লিংলক্লিবা মণিপুরগী অনৌবা লৈঙাক্কী ঙসি নুমিৎ ১৮নি চল্লকপা নুমিৎতা লৈঙাক অসিগী ৱাৎহৌরিবা মিনিষ্টরশিং হাপচিন্দুনা চাওথোকহনবদা কনা-কনাবু মিনিষ্টর ওইহনগদগে হায়বদু লৈখাই তাথোক্লুনবা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দ দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।



মহাক ঙসি নুংথিল পুং ৩গী এয়র ইন্দিয়াগী ফ্লাইট অমদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী দেল্লীগীদমক চৎখিবনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা এম এল এ রঘুমনি অমসুং টি রোবিন্দ্রোসু লোয়নখি।

ৱাই খেমচান্দনা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌবদগী অহানবা মহাক্কী দেল্লী খোঙচৎ অসিগী মনুং চন্না নেশনল কেপিটেলদা থুংলবা মতুংদা বি জে পিগী নেশনল লিদরশিং অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মরু ওইবা মিনিষ্টর খরগা উন্নদুনা মহাক্কী লৈঙাক্তা ৱাৎলিবা মিনিষ্টরশিং হাপচিনবগী ৱাফম খন্নদুনা লৈখাই তাগনি। লোয়ননা অনৌবা লৈঙাক অসি বি জে পিনা লুচিংলবসু এন পি এফ, এন পি পিগা খূৎশম্ননা চৎমিন্নরকপা খক্তা নত্তনা এম এল এ অমখক্তমক লৈরবদি জে দি-য়ু অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এশিংনসু শৌগৎলক্লিবনিনা অৱাৎপা মিনিষ্টরশিং হাপচিন্দুনা চাওথোকহনবদা কনা-কনাবু হাপচিনগদগে হায়বদুসু সেন্টরগী লুচিংবশিংগা লোয়ননা লৈখাই তাথোরক্কনি। অদুগা চীফ মিনিষ্টর মশাগী য়াওনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অনী অমসুং কেবিনেট মিনিষ্টরশিংদা করম-করম্বা পোর্টফোলিও পীগনি হায়বদুসু লেপথোক্লগনি হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙরাং নুংথিল পুং ৫ রোম তারকপদা চীফ মিনিষ্টরনা লোক ভবনদা লাক্তুনা গভর্ণর এ কে ভল্লাগা মিনট ২০ লোম ৱারী শানখ্রবনি। মসিগী মথক্তা অনৌবা মিনিষ্টর হাপচিন্নবগীদমক ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোক্কদবা লোক ভবনগী দরবার হোলদি হৌজিক শেমজিন-শাজিনবগী থবক চথুরিবনা ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোক্লবগীদমক ঙরাংদগী হৌরদুনা লোক ভবনদা অচৌবা মান্দব অমা খনগৎপা হৌরকখ্রবনি।

লোয়ননা মহাক্কী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## মেদান্টা মেদিসিটি হোস্পিটালনা এম এল এ ভালতেবু কনবা ঙমহৌদ্রে দেল্লীদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে, চীফ মিনিষ্টর খেমচান্দনা ইকায়খুম্নখ্রে





সেন্ত্রেল দেল্লীদা ইভাঞ্জেলিকেল বেপটিষ্ট কনভেন্সন চর্চনা পাঙথোকখিবা কোন্দোলেন্স মীটিংদা শরুক য়াখিবশিং (ওই), চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা লৈখিদ্রবগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচএনএস) :**

মে ৩,২০২৩দগী হৌরকখিবা কাঙলুপ মশেলগী তমথীরবা ঈরাং মরক্তা শকখঙদবশিংগী মোব অমগী এটেক মায়োক্লখিবদগী শোক্তুনা চহী অনী দেল্লীগী তোঙান-তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা লায়েংদুনা খরা ফবক্লবা মতুংদা চুড়াচান্দপুরদা লৈবা ময়ূমদা হল্লক্লবা মতুং থা অসিগী ৭তা শ্বর হোনবা ৱারকপা য়াওনা মহাক্কী হকচাংগী ফীভম খংশোক শোকচিল্লকপদগী থা অসিগী ৮দা এয়র এম্বুলেন্স অমনা পুদুনা গুরুগ্রামগী মেদান্টা মেদিসিটি হোস্পিটালদা থৱায়গীমক লাংহ্নেংনরকখিবা থানলোন (এস টি) এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ বুংজাগিন ভালতে লায়েংশঙ অসিনা কনবা ঙমহৌদ্রে। ঙসি নুংথিল পুং ২.১৯ তারকপদা লায়েংশঙ অসিগী ওথোরিটিনা মহাক লৈখিদ্রে হায়না ওফিশল ওইনা ফোঙদোরকখ্রে।

মহাক্লা ঙসি ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ তারকপদগী হৌরদুনা ন্যু দেল্লিগী মোটি বাগকী ১০৭, ব্লোক-সীদা লৈবা ভালটে ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কোসেমনা পাঙথোক্লিবা ক্লাস ত্বেলভ এগজামগী ক্বেশন লিক ওইহনবা মীওই ফোন ওফ তৌরগা লোৎখ্রে, চেন্নবা ৩ ফারে : দেসাম

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচএনএস) :**

কোসেমনা লৌদুনা পাঙথোরক্লিবা ক্লাস ত্বেলভ এগজামগী ক্বেশনশিং সিরিএল কায়দনা অন্সরশিট সপ্লাই তৌরম্বা কম্প্যুটর সেন্টর হাংবা মীওই য়াওনা মীওই ৩ ফাগৎলে অমসুং মখোয়বু পুলিসতা শিন্নরগনি হায়না দেসামগী সেক্রেটরি জেনরেল টি ঐচ শ্যামজাইনা ঙসি নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপদা কৈশাম্পাৎতা লৈবা লূপ অসিগী ময়ায় লোয়শঙদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্লা হায়, ক্বেশন লিক ওইহনবদা চেন্নবা মীওই খরদি মখোয়গী মোবাইল ফোনশিং স্বিটচ ওফ তৌরগা লোৎখ্রে হায়রদুনা মহৈরোয় খুন্নাইবু মাঙহন্নবা হোৎনদুনা ক্বেশন লিক ওইহনবদা চেন্নরিবশিং অথুবা মতমদা মরী লৈনবশিংনা ফাগদবনি হায়খি।

থা অসিগী ১৭তগী হৌরক্লিবা এগজাম অসিগী তোঙান তোঙানবা সেন্টরশিংদা অরানবা পাম্বৈ শীজিন্নরে হায়বগী পাউ দেসামনা তাখি। থৌওং অসিমক হকচিন্না লৌদুনা মীৎয়েং চঙদুনা লাকখিবনি অদুগা এগজাম হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা অরানবা পাম্বৈ শীজিন্নদনবা পাউচেশিংগী খুত্থাংদা মীয়ামদা আপীল তৌখিবনি। অদুবু ক্বেশন পেপরগী সিরিএল কায়দনা মখোয়গী অন্সরশিং নমথোক্লগা য়েল্লে অমসুং ফোঙলে হায়বগী পাউ তাবদগী ঙসি হোম সাইন্স থোকপা নুমিৎতা ময়াং ইম্ফালদা লৈবা ৱাইখোম কম্প্যুটর সেন্টরদা



হোম সাইন্সকী ক্বেশন পেপরগী সিরিএল নম্বর ১দগী ৩৬ ফাওবগী কায়দনা অমদি ‘ওর’ পীরিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস প্রসিদেন্টশিংনা পার্টিগী নেশনল প্রসিদেন্টশিংগা হকথেংননা ৱারী শাবগী খুদোংচাবা ফংলগনি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচএনএস) :**

মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটিশিংবু লুচিংগদবা প্রসিদেন্টশিং খনবদা কোংগ্রেস পার্টিগী মেম্বর পূম্নমক্না য়েৎনদনা য়াবা অমসুং থবক ঙম্বগা লোয়ননা মীয়ামগসু হেন্না মরী ফহনগদবা দি সী সীগী প্রসিদেন্ট খনবা য়াওনা পার্টি অসিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক মণিপুরদা থৌওইনা লাক্লিবা এ আই সী সীগী ওবজার্ভর অজয় কুমার লালুনা শরুক য়াদুনা ঙসি থৌবালগী কোংগ্রেস ভবনদা পার্টি অসিগী অপূনবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।



মীফম অসিদা ওবজার্ভরনা হায়, পার্টিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অর্জুন খর্গে অমসুং রাহুল গান্ধীগী মীৎয়েং মখাদা লৈবাক অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা কোংগ্রেস পার্টিগী ওর্গনাইজেশন নৌহৌননা শেমদোম-শেমজিন তৌদুনা হেন্না মপাঙ্গল কলহন্নবগীদমক ‘সঙ্গথন স্রিজান অভিয়ান’ গী থৌরম হৌদোরকপনি। অভিয়ান অসিগী থবক থৌরমশিং অতোপ্পা মফমশিংদা পাঙথোরকপগা লোয়ননা মণিপুরদসু ষ্টেট ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## মণিপুর লৈঙাক্লা নুমিৎ ৩নি চূপ্পা অৱাবা ফোঙদোক্কদৌরি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচএনএস):**

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিদা ৫৬-থানলোন এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিদগী বি জে পিগী টিকেটতা কারক্তুনা মেম্বর ওইরম্বা বুংজাগিন ভালতেনা ঙসি নুংথিল পুং ২.১৯ রোম তারকপদা গুরুগ্রামগী মেদান্টা মেদিসিটি হোস্পিটালদা খঙহৌদনা লৈখিদবদা মণিপুর লৈঙাক্লা হয়েংদগী হৌরদুনা থা অসিগী ২৪ ফাওবা নুমিৎ হুম্নি চূপ্পা অৱাবা ফোঙদোক্কনি হায়রি।

লৈখিদ্রববু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা অৱাবা ফোঙদোক্লিঙৈ মনুংদা লৈবাক্কী ফিৱাল ষ্টেট অসিগী মফম পূম্নমক্তা তঙ্খাই চিংথগনি অমসুং লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হরাও-কুম্মৈ অমত্তা পাঙথোক্লোই হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি লৈঙাক্কী জি এ দিগী রেকোর্দস এন্দ লাইব্রেরি সেক্সনগী মায়কৈদগী দেপ্যুটি সেক্রেটরিনা ওর্দর অমা থোকখ্রে।

## চহী ১১ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা ১গী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবদা এ এস আই অমা চেন্নরব্রা



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৬তা মশাগী চহী ১১ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখি হায়বা থৌদোক্তা হৈরোক পুলিস ষ্টেশনদা এসিষ্টেন্ট সব ইন্সপেক্টর ওইনা লৈবা হৈরোক পার্ট-থ্রী তৌরাংবম লৈকায়দগী মশাগী চহী ৫৫ রোম শুরবা নিংথৌজম মোহিন্দ্রো, অপোকপা লৈখিদ্রবা এন মধুমঙ্গোল কৌবা মীওই অমা চেন্নরব্রা হায়বগী ৱাহং থোরক্লে।

থৌদোক অসি থোকখি হায়রদুনা মীওই অসিদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## দি এম কম্মুনিটি কোলেজগী মহৈরোয়শিংগী করিয়র মাঙহনবা য়ারোই : কে এস এ

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচএনএস) :** কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএশনগী সেক্রেটরি (ঐচ আর দি) সিনাম জেমসকী চেরোল অমদা দি এম কম্মুনিটি কোলেজগী মখাদা তম্বা মহৈরোয়শিংগী করিয়র মাঙহনবা য়ারোই হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, থবক ফংদবা, শুফম নোম্ফম লৈতবা নহারোলশিংগী য়েংদুনা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সতা কুমজা ২০১৪-১৫দা দি এম কম্মুনিটি কোলেজ হাংদোকখিবনি। য়ু জি সীগী শেন্থং মখাদা মেদিকেল লেব টেক্নোলোজি অমদি ফুদ প্রোসেসিং ইহান হান্না হাংদোকখি। ববিনা হেল্থক্যের অমদি থাংজম এগ্রোগা কোলাবোরেশন তৌদুনা মহৈরোয় ৫০/৫০গী কেপাসিটিদা মেদিকেল অমদি ফুদ লেবোরেটরিসু লিংখৎখি। অদুগা কুমজা ২০১৫-১৬তগী দি দি য়ু কৌষল স্কিমগী মখাদা রেদিও ইমেজিং (এক্সরে, সী টি স্কান, এম আর আই, অলত্রাসাউন্দ) নচিংবা দিজিটেল মল্টি মীদিয়া হাপকৎতুনা কুমজা ২০১৮ ফাওবা মায় পাক্না চলাইখি। অদুগা কুমজা ২০১৮-১৯দগী অমুক এন এস ক্যু ওফ স্কিমগী মখাদা ফার্মাসিয়ুটিকেলস, ওপরেশন থিএটরগীসু হাপকৎখি।

য়ু জি দিগী ফন্দিং পেরিয়দ লোইখ্রবা মতুংদা কুমজা ২০১৮-১৯দগী হৌনা ষ্টার কোলেজ স্কিমগী মখাদা শেন্থং ফংখি। অনৌবা ইক্বিপমেন্ট কয়া স্কিম অসিগী মখাদা লৈশিন্দুনা মহৈরোয়শিংদা মপূং ফানা ত্রেনিং পীখি। অদুবু মহৈরোয়শিংদগী এদমিশন ফী চাউনা লৌখৎতুনা সেন্টর অসি প্রাইভেট ইন্সটিট্যুটকী মওংদা লৈরে হায়রদুনা হান্না য়াল্লবদা এদমিশন ফী লুপা ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## একাদেমিক সেশন অসিদগী ক্লাস ৱানদগী আইট ফাওবগী মহৈরোয়শিংনা মখোয়গী সবজেক্টশিং ইমালোলদা তম্বা ফংলগনি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচএনএস) :**

মণিপুরী লোলনা ৮শুবা সেদ্যুলদা চল্লবসু মহৈরোয়শিংনা মীতৈ ময়েক্তা সবজেক্ট খুদিংমক্তা মহৈ তম্বা ফংদনা লৈরকখিবদু চৎলিবা একাদেমিক সেশন অসিদগীদি ক্লাস ৱানদগী আইট ফাওবগী মহৈরোয়শিংগী লাইরিকশিং ত্রান্সলেশন তৌবা লোইরে অমসুং ইমালোলদা তম্বগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী লেংগ্বেজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেশন লোয়শঙগী দিরেক্টর এল রাধাকান্তনা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি মালেমগী লৈবাকশিংদা মমালোল নুমিৎকী থৌরম পাঙথোক্লবগুম রিসর্চ ফোরম মণিপুর (রিফোর্ম) না শীন্দুনা ‘য়ুথ ভোইস ওন মল্টিলিঙ্গুএল এদ্যুকেশন’ হায়বা পান্দমদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মশাগী লোয়নবীবু থাঙনা য়াল্লম্বা মীওই ১ মিনি টাটাগা থেঙ্গাইনবদা শিরে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচএনএস):** য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোক অমদা ঙসি অয়ূক পুং ১০ রোম তারকপদা লম্লাই পি এসনা কোল্লিবা চীঙারেল টেজপুর ময়ায় লৈকায়দা মশাগী লোয়নবীবু থাঙনা য়াল্লল্লবা মতুংদা গাড়ী মচা থৌদুনা চেল্লকখিবা মীওই অমা লম্বীদা মিনি ত্রক অমগা থেঙ্গাইনবদা লায়কন্নবা নংদনা থৌদোক থোকফমদা শিরে। মহাক্লা থাঙনা য়াল্লম্বা মহাক্কী লোয়নবীনা হোস্পিটালদা লায়কন্নরি হায়রি।

লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং লাইরেনলাকপম বিধু (৬৫) কৌই অদুগা মহাক্লা থাঙনা য়ান্দুনা শোকহল্লল্লবী মহাক্কী লোয়নবীগী মমিংনা রুহিনি (৬০) কৌই হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## রাইটরস প্লেটফোর্ম মণিপুরগী মপোক কুমওন পাঙথোক্তুনা মনাশিং লাম্থোকখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচএনএস):**

ইম্ফাল ইষ্টকী লংদুমদা লৈবা রাইটরস প্লেটফোর্ম মণিপুর (রিটপ্লেট) গী অহুল্লকশুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি প্রেস ক্লবতা এম এল এ, এল রামেশ্বর মীতৈনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা পাঙথোকপগা লোয়ননা রিটপ্লেটনা খনগৎলবা অইবশিংদা তোঙান তোঙানবা রিটরেরি এৱার্দশিং লাম্থোকখ্রে।

এৱার্দ লাম্থোক্তুনা ইকায়খুম্নখ্রবশিংগী মনুংদা য়াইস্কুল খ্বাইরাকপমগী ‘মৈ ঈশিং নুংশিৎ’তা আর কে পকাস্না এন্দ হাওবম নিঙোল নিংথেমচা ওংবী অমুরৈমা শিজ মেমোরিএল এৱার্দ, রোসেম লোংজাম্বগী ‘থাঙ-তাগী হৌরকফম’দা থিংবাইজম খোঙনেম সিংহ মেমোরিএল এৱার্দ, ইরাবোত নিংথৌজাগী ‘পাখঙবা নাউয়োম’ দা ইবুধৌ পাখঙবা এন্দ লাইস্না ইপা লিকল এৱার্দ, নবকুমার নোংমৈকাপমগী ‘ইবগী কাঙলোন’ দা রিটপ্লেট প্রসিদেন্টস লোইশিল্লোন মনা, বিনাপানি থোকচোমগী ‘বর খানগী ইনে’দা খুম্বোংময়ূম অরুনকুমার এন্দ ইনাওবী লোইনশিল্লোন মনা, সোরোক নোরেনগী ‘নুংশি শম্বল’ দা কাঙবম চাউবা মীতৈ ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### য়ু জি অনী ফারে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচএনএস) :** পুলিস কন্ত্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা তাকয়েল খোংবান লেন নম্বর ২১দগী জেনি কাংজম এলিয়জ জপান (২৩) কৌবা কে সী পি-পি এস সীগী কাদর অমা মশাগী ময়ূমদগা মোবাইল ফোন অমা অমসুং আধার কার্দ অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি পুলিসনা মোইরাং খুনৌ মনীং লৈকায়দগী হৌজিক্লা লাঙ্গোল নিংথৌ লৈকায়দা লৈরবা পুয়াম সিন্দুর এলিয়জ চলাম্বা (৪৩) কৌবা কে সী পি - পি দল্লিয়ু জিগী কাদর অমা মিনুথোং এরিয়াদগী মোবাইল ফোন অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## হৌজিক্তি অনৌবা লৈঙাকসু শেন্নক্লবনিনা ঈরাংসু খরা নেমথরক্লবনিনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌহল্লক্লিবা ঐখোয়বু অথুবা মতমদা ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিলহনবীরো

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**

**হকথেংনবা পাউদম**

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মোটবুং মীতৈ লৈকায়দগী খুঞ্জা

**(হান্নগী মখা...)** কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মোটবুং মীতৈ লৈকায়দগী লাঞ্জেল্লক্তুনা লম্থৈইখোংনাংখোঙদা লৈবা লৈঙাক্কী মণিপর ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী কোন্সম ওংবী রঞ্জনানা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, লান হৌরকখিবা নুমিৎ মে ৩,২০২৩ অদুগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তারকপদা ঐহাক য়ূমদা হল্লকখি। ঐহাক্তি চার হজারগী নেপালি ময়ামগী মরক্তা হোটেল ফম্বনি। ঐহাক্লা য়ূমদা হঞ্জিল্লকপা মতমদা ঈরাং লৈনি হায়বা ৱাফম নিনফুং-নিনফুং ঙাঙনদুনা লৈরমখি। অদুবু অসুক কুইবা মতম অসি ফরুপ অমগা-অমগা নুংশি চান্ননা অদুমক লৈমিন্নরকপনিনা ঈরাং লৈগনি হায়রিসিবু কনা-কনাগা লৈগদবা ঈরাংনো হায়না ইকোম কোম্না খন্দোকখি। করিগুম্বা লৈরক্লবসু অদুক য়াম্না চাউনা থোক্কনি হায়বা থাজখিদে। অদুবু ঐনা ম্যেন রোদতা চৎপা মতমদা পুলিস ময়াম লৈরম্বা থেংনখি। অদুগা ঐখোয়না লৈরিবা মোটবুং মীতৈ লৈকায়দসু পুলিস ময়াম লাক্তুনা লৈররবনিনা করিসু অচৌবা ঈরাং তৌগনি থাজখিদে। অদুবু মফম অদুদা লৈবা মীতৈশিংদি খরা-খরা সুম লাঞ্জেন্নখিদুনা মশীং য়ামশিল্লকখিদে।

ফীভম অদুদগী ঐহাক্লা ইপুরোইবনে, ইচানুপা অতোনবগা ঐখোয়সু কদাইদনোমা চেন্দুনা লোৎলুরসি, হোরেন খরা থেংথরক্লগা মোবাইল ফোনদা ওইনা পাউ ফাওনরসি হায়দুনা ৱারী শানরে। অদুবু য়ূম থাদোক্তুনা চৎখিবদুদা ঐদি য়াওহৌদনা অদুমক লৈহৌখি। অদুবু খঙহৌদনা ঈরাং খংচাউ চাউথোরক্তুনা য়ূম মৈ থাবনচিংবা হৌরকখি। য়ূম মৈ থাবা হৌরকপদগীদি ঐসু ঐনা থোকপা থৱায় হিংনবা চেল্লে, পোৎ চৈদি অমত্তা পুরকপা নংদ্রে। ইচানুপীনা মোটবুংগী প্রাইভেট স্কুল অমদা ওজা ওইবনিনা মহাক্লা টেলিফোন তৌদুনা মহাক্কী স্কুলদা ওইনা লাকউ করিসু তৌরোই হায়রকখি। অদুবু ইচানুপীনা হায়জরবসু তম্বা ঙমদে হায়দুনা লাঞ্জেল্লকপদগী হৌজিক ফাওবদা রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরক্লিবসিনি। মরম অসিনা হৌজিক ঐখোয়না পাম্লিবা হায়ববু ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিন্দুনা মহৌশাগুম্না লৈবা হায়বদুনি। হৌজিক্তি ঈরাং খরা নেমথরক্লবনিনা য়ূমদা চঙশিন্দুনা লৈবদা কিনিংঙাই লৈত্রে হায়নসু খল্লে হায়রকখি।

## উত্রা শঙলেন সনা কোনুংনা অৱাই-অখুম শরোই খাঙখ্রে



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচএনএস) :** ঙসি লমতাগী ৪নি পানবা অহানবা থাংজ নুমিৎতা সনা কোনুংনা মহৌশাগুম্না অৱাই-অখুম শরোই খাঙখ্রে।

অহানবা থৌরমদা কৌব্রু মাইকৈগী ওইনা সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী অৱাং চেক্কোন লম্বী চঙফমগী লম্লোংদা শরোই খাঙখি। অনীশুবদা মার্জিং মায়কৈগী ওইনা থাঙ্গালগী মিতম লৈরিবা আর দি এস স্কুলগী নাকলগী লম্লোংদা পাঙথোক্লগা অহুমশুবনা হরিখাগোক মখোঙগী লম্লোং ফাংবদা পাঙথোকখি অদুগা অরোইবা অমসুং মরিশুবা শরোই খাঙবগী থৌরমনা থাঙ্গপাৎকী নোংপোক লমলোংদা ৱাংব্রেনগী ওইনা পাঙথোকখি। অয়ূক্কী মতমদা শরোই খাঙলগা নুংথিলদনা খুম্থোং ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫